প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা দিল্লিগী মহৈরোয় অমদা সাইকল খূদোল তমখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা দিল্লিদা লৈবা চহী নৌরিবা মহৈরোয়, রিয়াজদা সাইকল অমা খূদোল তমদুনা সাইক্লিষ্ট অমা ওইবগী মঙলান অদু ফংননবা মতেং পীখ্রে।

লৈবাক শীনবা থুংনা হয়েং ইদুল জুহা থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ক্লাস নাইনগী মহৈরোয় অমা ওইরিবা রিয়াজনা সাইক্লিষ্ট অমা ওইবগী মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবগীদমক্তা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ঙসি রেসিং সাইকল অমা খূদোল পীখিবনি।

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা সাইকল খূদোল তমখিবা অদুদা নহা ওইরিবা রিয়াজদা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়ন অমা ওইবা পাম্বগী মঙলান অদু মঙফাওনবা ওইরসনু হায়খি। বিহারগী মধুবনি দিষ্ট্রিক্টতগী হৌখিবা হৌজিক-হৌজিক্তা দিল্লিগী অনন্দ বিহারদা লৈবা সর্বোদয়া বাল বিদ্যালয়াদা ক্লাস নাইন তম্লিবা রিয়াজনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা সাইকল অমা মঙোন্দা খূদোল পীবীরকপা অদুদা য়াম্না হরাওবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ৱাখলদা মতম শাংনদগী সাইক্লিষ্ট অমা ওইদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল অদু মঙফাওনরে হায়খি।

রিয়াজ গাজিয়াবাদকী মহারাজ পুরদা অশানবা য়ূম অমদা লৈদুনা চান-থক্লবা পোৎলম য়ানবা দুকান অমদা কোল-লিক চাম্বগী থবক তৌরি।

কুমজা ২০১৭তা রিয়াজনা দিল্লি ষ্টেট সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি। মদুগী মতুং গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা স্কুল গেমসতা শরুক য়াদুনা নেসনল লেবেলগী থাক্তা মরিশুবা পোজিসন ফংলকখি হায়না গাজিয়াবাদকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ফোঙদোরকখি।

রিয়াজ হৌজিক-হৌজিক দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা প্রমোদ শর্ম্মাগী লুচিং মখাদা সাইক্লিং মশান্না অসিগী ট্রেনিং ফংদুনা লৈরি। ট্রেনিং অদুদা রিয়াজনা অতোপ্পা মীওইদগী সাইকল ৱাইদুনা লাকখি। মহাক্না খ্বাইদগী পামখিবা অদু মশাগী ওইবা সাইকল অমা লৈবা অদুনি। মহাক্কী অপাম্বা অমদি হোৎনজমল অদু মশক খঙলদুনা মীদিয়াগী রিপোর্টশিংদগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা রিয়াজকীদমক ঙসি রেসিং সাইকল অমা খূদোল পীখিবনি। মশাগী অৱাবা অমদি অৱাৎপা কয়া লৈরবসু শান্ননিংবগী অচৌবা থৌনা অমা লৈরিবা অদু প্রসিদেন্টনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্টনা মখা তারদুনা রিয়াজকী মায়কৈদগী হোৎনবা কনবা, থৌনা লৈবা, পূকচেল শেংবা অমদি কথোকপগী ৱাখল্লোন অদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা নহাশিংদা অচৌবা পারা অমা তন্বীবগা লোয়ননা অফবা শান্নরোয় অমা ওইগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

চিংলেনস্নানা হোকি মশান্নদা অচৌবা ঈনোৎ পীখি : রবিচন্দ্র

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকিগী ভাইস কেপ্টেনগী থাক ফাওবা য়ৌরম্লবা কাঙুজম চিংলেনস্নানা মণিপুরগী নহাশিংদা হোকি মশান্না অসি শান্নহন্নিংবগী অচৌবা ঈনোৎ অমা পীখি হায়না ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমদা শরুক য়ারিবা মোইরাংথেম রবিচন্দ্রনা ফোঙদোরকখ্রে।

কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকিগী জুনিয়র টিমদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা মোইরাংথেম রবিচন্দ্রনা পূন্না ইন্টরনেসনল মেচ ৩১ শান্নবা ঙমখ্রে। মহাক্না ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না সিনিয়র টিমদা শরুক য়ারিবা কাঙুজম চিংলেনস্নানা মণিপুর ষ্টেটতা লৈরিবা নহা ওইরিবশিংদা হোকি মশান্না অসি শান্নহন্নিংবগী অচৌবা ঈনোৎ অমা পীখি হায়রি।

ইন্দিয়াগী হোকি টিমগী মিদ ফিল্ডদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং অমা লৌদুনা শান্নরিবা চিংলেনস্নানা ইন্দিয়াগীদমক ইন্টরনেসনল মেচ ২০০ হেন্না শান্নবা ঙমখ্রে। মহাক অমদি খদাংবম কোথাজিৎনা মণিপুর ষ্টেটতা হোকি মশান্না অসি নহা ওইরিবশিংদা পামহনবগী অচৌবা ঈনোৎ পীরিবনি।

মোইরাংথেম রবিচন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, চিনলেনস্না অমদি কোথাজিৎনা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা লম্বা তৌনবদা শান্নবগী মওং অদু মতম কুইনদগী য়েংদুনা লাকখি হায়রি। রবিচন্দ্র মোইরাংথেম কুমজা ২০১৮দা অহুমশুবা য়ুঠ ওলিম্পিক্স গেমসতা সিলভল মেদল ফংখিবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখি। অদুগা কুমজা ২০১৯দা সুল্তান ওফ জোহোর কপতা সিলভর ফংখিবা অদুদসু শরুক য়াখি।

রিএল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনাবু মালেমগী খ্বাইদগী মরুওইবা ফূটবোল ক্লবশিংনি হায়না লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লৈনা-লৈনা পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইনা স্পেন, ইংলেন্দ অমসুং ইটলিদা লৈবাকশিং অদুগী ফূটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্তুনা লাকখি।

লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ২০১৯-২০গী সিজন লোইশিলহৌদবশিং অদু চৎলিবা থা অসিগী হৌরকপগী সোসল দিষ্টেন্সিং থমদুনা ভাবোক য়াওদবা ষ্টেদিয়মশিংদা শান্নবা লোইশিনবা কয়া অমা য়াওখ্রবনি।

স্পেনগী রিএল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনা ফূটবোল ক্লবপু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ফূটবোল ক্লবশিংনি হায়না লাউথোকপা লেখি। কুমজা ২০২০গী ওইনা ব্রান্দ ফাইনান্স ফূটবোল স্পোর্টসনা পীরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মালেমগী ফূটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা স্পেনগী রিএল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনানা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ক্লবশিংনি হায়না লৌনরিবনি।

স্পেনগী লা লিগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা রিএল মাদ্রিদনা মকোক ওইদুনা সিজন অনী থংননা টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্লি। অমরোমদা বর্সেলোনা ফূটবোল ক্লবনা রিএল মাদ্রিদতগী পোইন্ট খরা হন্থরগা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা স্পেনগী লা লিগাদা রিএল মাদ্রিদনা মকোক ওইরগা বর্সেলোনানা অনীশুবা পোজিসন তাখি। ব্রান্দ ফাইনান্স ফুটবোল কম্পনি অসিগী মখাদা রিএল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনাগী টিম অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ফুটবোল ক্লবশিংনি হায়না মমিং পীখি।

কম্পনি অসিগী রিপোর্ট মখা তারকপদা মমিং লৈরবা মালেমগী ফূটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মখোয়-মখোয়গী পর্ফোর্মেন্স অমদি টিমশিং অদুগী শান্নরোয়শিংনা পীরিবা থৌনা অমদি লিংজেল অসি ইকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লৈরিঙৈ মনুংদা ক্লব অনী অসিনা অতোপ্পা ফূটবোল পামজবা নহাশিংগী ৱাখল্লোনদা অচৌবা থৌনা অমা পীবা ঙমখি।

অতোপ্পা মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ, লিভরপূল অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মথংশিংনা অহুমশুবা, মরিশুবা অমদি মঙাশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি। ব্রান্দ ফাইনান্সকী মেনেজিং দিরেক্টর তেরেজা দি লেমোসনা ফোঙদোরকখিবদা স্পেনগী রিএল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনানা খ্বাইদগী ফজবা ক্লবশিং ওইরি হায়খি।

কোচ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা শুটিং কেম্প য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জতা নেসনল শুটিং কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু কোচ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী য়ৈথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী শুটরশিংগী কোর গ্রুপকী কেম্প অমা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জতা পাঙথোক্কনি হায়না মতম লেপ্পুরবা মতুং কেম্প অদুদা শরুক য়াবা কোচ অমা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী কেম্প অদু মখা তাবা মতম অমা লেপত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি রজিব ভট্রিয়ানা ফোঙদোরকখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, থা অসিগী ৮দগী ন্যু দিল্লিগী ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জ অদু থা ৩ হেন্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা থিংজিল্লুবদগী হাংদোকখিবনি। শুটিংগী ট্রেনিংসু পীরিবা রেঞ্জ অসিদা মমিং লৈরবা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা শুটর কয়া অমা ট্রেনিং চথনবগী কেম্প অমা শিল্লম্বনি।

কেম্প অসিগী মাংওইননা অতোপ্পা শুটরশিংসু শুটিং রেঞ্জ অসিদা প্রেক্টিস তৌদুনা লাকখি। ৱর্ল্ড কপতা মেদল ফংবা ঙমখ্রবা শুটর সঞ্জিব রাজপুট, মনু ভাকর অমসুং অনিশ ভনৱালা রেঞ্জ অসিদা হৌখিবা নুমীৎ খরনিদগী ট্রেনিং চথদুনা লাকপনি। মখোয় অহুমদা নৎতনা সিরাজ সৈখ অমদি মৈরাজ অহমদ খানসু ট্রেনিং য়াওখি।

ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জ অদুদা কোচ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী রেঞ্জ অসিদা হান্নদগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ট্রেনিং অমদি কেম্প অমা শিন্নবা হোৎনখিবা অদু য়ৈথোক্তুনা ওগষ্ট থাগী ২শুবা চয়োলদা ফীভম ফগৎলক্লবদি মখা তানা ট্রেনিং অমদি কেম্পশিং অদু পাঙথোকপা য়ারবা য়াই হায়না নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি ভট্রিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ক্রিকেটকী বিরেন্দর সেৱাগ অমসুং হোকিদগী সরদার সিংহ নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ খনবগী পেনেলদা য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

চহী খুদিংগী ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংদা ফজবা ঙম্লকপা শান্নরোয়শিং খনগৎতুনা মনা পীবগী থবক অদু পায়খৎননবা মীওই ১২না শাবা পেনেলদা লৈঙাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ক্রিকেট শান্নরোয় বিরেন্দর সেৱাগ অমসুং হোকি শান্নরোয় সরদার সিংহ য়াওহনখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী মীওই ১২না শাবা শান্নরোয়শিং খনগৎপগী পেনেল অদুদা পেরালিম্পিককী সিলভর মেদালিষ্ট দিপা মালিকসু য়াওখি। চহী খুদিংগী নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ অসি ওগষ্ট ২৯দা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা য়েন্থোকপনি। হন্দক্কী শান্নরোয়শিং খনবগী পেনেল অদু রিটায়র্দ তৌরবা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস মুকুন্দাকম শর্ম্মানা লুচিংগদৌরি।



শান্নরোয়শিং খক্তা নৎতনা কোচশিংদসু মনা পীবা অসিদা য়াওগদৌরিবনি। কম্মিটি য়াম্না শেম্বনা মতীক চাবা শান্নরোয়শিং খনগৎপগী থবক থৌরমশিংদা চয়েৎনবা অমদি অরুবা তাঙ্কক কয়া য়াওহন্দুনা মতম থিন্থহনবগী মহুৎতা শুপ্পগী কম্মিটি অমখক শেম্লগা থবক থৌরমশিং অদু লায়হন্নবা হোৎনবনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অদুদা য়াওখিবা অতোপ্পা মীওইশিংগী মরক্তা মমাংদা টেবল টেনিস শান্নরোয় ওইরম্বী মোনালিসা বারুৱা মেহটা, বোক্সর ওইরম্বা ভেনকাটেশ দেবরাজন, স্পোর্টস কমেন্টেটর মনিশ বাটাভিয়া অমসুং জর্নেলিষ্ট অলোক সিনহা অমদি নিরু ভটিয়ানি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা চহী খুদিংগী ওগষ্ট ২৯দা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ য়েন্থোক্লিবা অসি লৈবাক অসিগী হোকিগী লম্দা মমিং লৈরবা শান্নরোয় ধ্যান চান্দগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি।

মীওই ১২গী পেনেল অদুদা স্পোর্টস সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী মীহুৎ কয়া অমসু য়াওরি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর জেনরেল সন্দিপ প্রধান, জোইন্ট সেক্রেটরি (স্পোর্টস দিভলপমেন্ট) এল এস সিংহ অমসুং টার্গেট ওলিম্পিক্স কোদিয়ম স্কিমগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর রাজেশ রাজা গোপালনসু য়াওরি। মমাংদা দ্রোনাচার্য্যা এৱার্দ ফংখ্রবা মীওই অনীসু পেনেল অসিগী চেয়রপর্সননা ইনভাইট তৌরবা য়াই হায়রি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ওগষ্ট ২৯দা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদু থা ১ নৎত্রগা ২ রোম চোন্থরবা য়াই হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড এথলেটিক্সনা পাঙথোক্কদবা ইভেন্টশিংগী অনৌবা মতম পীখ্রে

পেরিস, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রবা তোঙান-তোঙানবা এথলেটিক্সকী ইভেন্টশিং নৌনা ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী মায়কৈদগী মতম লেপখ্রে।

কেনিয়া লৈবাক্কী সিটি নাইরোবিদা কুমজা ২০২০গী ওইনা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অমসুং বেলারসকী মিন্সকতা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স রেস ৱাকিং টিম চেম্পিয়নশিপকী অনৌবা মতম পীখিবনি।

নাইরোবিগী চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদু কুমজা ২০২১গী ওগষ্ট ১৭তগী হৌরগা ২২ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ৩১দা মশাগী চহী ১৬, ১৭, ১৮ নৎত্রগা ১৯ শুরবা এথলিটশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

বেলারসকী মিন্সকতা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স রেস ৱাকিং টিম চেম্পিয়নশিপ অদু কুমজা ২০২২গী এপ্রিল ২৩ অমসুং ২৪দা পাঙথোক্লগনি হায়না ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, চাইনাগী সিটি য়াংজৌদা কুমজা ২০২২গী মার্চ ২০দা পাঙথোক্কনি হায়না মতম লেপখিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স হাফ মরাথোন চেম্পিয়নশিপ অদু চয়োল অমা য়ৈথোক্লগা থা অদুমক্কী ২৭তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সেবেসিয়ন কোনা ফোঙদোরকখিবদা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপশিং অসি চহী ১-২ য়ৈথোকপা অসিনা হৌজিক-হৌজিক মালেমদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা পীরিবা চৈথেং অসি নেমথরক্লবা মতমদা শান্নরোয়শিংদা অৱাবা পীদনবনি।

ভাবোক অমত্তা চঙবা য়ারোই হায়না য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সননা ফোঙদোকখ্রে

লন্দন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

ইংলেন্দদা কোভিদ-১৯ লাইচংকী অনৌবা কেস কয়া অমা লাকখিবদগী লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিশ জোন্সননা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী ইভেন্টশিং পাঙথোরকপদা ভাবোক অমত্তা চঙবা য়ারোই হায়খ্রে। মরুওইনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা শগোল লমজেল অমসুং ৱর্ল্ড স্নুকর চেম্পিয়নশিপতা ভাবোক চঙবা য়ারোই হায়খিবনি।

ইংলেন্দগী নেসনল ষ্টেটিষ্টিক্সকী ওফিসনা ফোঙদোরকপা রিপোর্ট অমদা জুলাই ২০দগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা নোংমদা কোভিদ-১৯ অনৌবা কেস ৪২০০ হেনগৎলক্লি। হায়রিবা মশীং অসি মমাংগী চয়োলদা নোংমদা কোভিদ-১৯ অনৌবা কেস ২৮০০ ওইরম্বদগী কাহেন্না হেনগৎলকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ইংলেন্দদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শিখিবা মশীং ৪৬,০০০ য়ৌখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদা, গূদৱূদ ফেষ্টিবেলগী অরোইবা নুমীৎতা ভাবোক ৪,০০০ রোম তিনগনি হায়না পানরম্বনি। অদুবু কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং খংহেন হেনগৎলকপা অদুনা মরম ওইরগা ভাবোক অমত্তা চঙবা য়ারোই হায়খি। অথিংবা অসি ওগষ্ট ১৫ ফাওবা চৎনখিগনি হায়রি।

অথিংবা অসিনা মরম ওইরগা লন্দনগী ক্রুসিবল থিএটরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড স্নুকর চেম্পিয়নশিপতসু ভাবোক অমত্তা চঙহল্লরোই হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখিবদা, লৈবাক অদুদা মে থাদগী হৌরগা শান্নবগী ইভেন্টশিংদা মশীং য়ামদবা ভাবোকশিং চঙহন্দুনা হান্নগুম্না মশান্নশিং অসি হৌননবা শিল্লম্বনি। অদুবু মতম খরা অমুক য়ৈথোকপা তারি হায়খি।

নেহরু ষ্টেদিয়ম নৌনা হাংদোকখ্রে, মীওই ১৫ ট্রেনিং হৌখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

টামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা লৈবা নেহরু ষ্টেদিয়ম কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা থা ৪ থিংলুরবা মতুং নৌনা হাংদোকখ্রে। অদুবু শান্নরোয় ১৫ খক মখোয়গী কোচশিংগা ট্রেনিং হৌখ্রে।

স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ওথোরিটি ওফ টামিল নাদুনা ষ্টেট অদুদা লৈবা মরুওইবা ষ্টেদিয়ম অমদি ট্রেনিং সেন্টরশিং হাংদোকপগী অয়াবা অদু পীখিবনি। ঙরাং হৌদোকখিবা নেহরু ষ্টেদিয়মদা মশীং য়াম্লবা এথলিটশিং লাক্কদ্রা হায়না পানরম্বা অদু শুম্নগী এথলিট ১৫ খক লাকখিবনি হায়রি।

মমাংদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা লোং জম্প ইভেন্টকী এথলিট অমা ওইরম্বা হৌজিক্লা কোচ ওইরবা ৱেন পেপিননা ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংগী মমা-মপাশিংনা ষ্টেদিয়মদা ট্রেনিং থারকপদা অকিবা লৈরি।

পেপিননা মখা তাখিবদা, মহাক্না লমজিং-লমতাক্লিবা শান্নরোয়শিংনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী ওইবা মিটর ২ থাপ্লা লৈহল্লগা ট্রেনিংশিং অদু পীরি। ট্রেনিং লোইরবা মতুংদা শান্নরোয়শিং অদুনা মাস্ক উপকদবনি হায়রি। ময়ূম-ময়ূমদা শান্নরোয়শিং অদুনা মশাগী ওইবা পাঙ্গল লৈননবা ট্রেনিং চথদুনা লাক্লবসু ফিল্ডদা থোক্লক্তুনা অশেংবা ট্রেনিং চথুরকপদা মপাঙ্গলশিং অদু শোন্থরি। মখোয়না খ্বাইদগী ফজবা মওংদা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্বগী তাঙ্কক অদু য়ামদ্রবদা থা ৪/৫ চঙখিগনি হায়রি।

পেপিনগী মখাদা ট্রেনিং তৌরিবা চহী ১৬ মখাগী ইন্দিয়াগী মিটর ১০০গী জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরিবা রুথিকা সরাবননা ফোঙদোরকপদা চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কনি হায়না মতম লেপ্লিবা নেসনল জুনিয়র চেম্পিয়নশিপতা মমাংদা টাইটল লৌখিবা অদুগা মান্নবা ঙম্লোইদৌরি। অদুবু য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেদল ফংনবা হোৎনগনি হায়খি।

লিজেন্দ বোক্সরশিংদগী পাঙ্গল থৌনা লৌগদবনি : কমার

কোলকাটা, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সরগী হেদ কোচ ওইরিবা মহমদ অলি কমারনা ফোঙদোরকখিবদা, বোক্সরশিংনা মমাংদা মশান্না অসিদা মায় পাকপা ঙমখ্রবা লিজেন্দশিংদগী পাঙ্গল থৌনা লৌগদবনি হায়খ্রে।

কুমজা ২০০২দা বোক্সিংগী লম্দা অহানবা কমনৱেল্ঠ গেমসকী গোল্ড মেদল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর মহমদ অলি কমারনা হৌজিক-হৌজিক পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা চথুরিবা নেসনল বোক্সিং কেম্পতা নুপীগী হেদ কোচ ওইনা থৌদাং লৌরিবনি।

বোক্সরশিংদা মহাক্না পীখিবা পাউতাকশিংগী মনুংদা মমাংদা চাওনা মায় পাকপা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মায়কৈদগী পাঙ্গল থৌনা লৌগদবনি হায়খি।

ওলিম্পিক্সতা বিজেন্দর সিংহ অমসুং মেরি কোমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবনি। মখোয়গী মতুংদা ব্রোঞ্জ মেদল অদুগী মহুৎতা গোল্ড মেদল ফংনবা হোৎনগদবনি হায়না কেম্পতা শরুক য়ারিবা বোক্সরশিংগী মফমদা থৌনা পীখি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মমাংদা শান্নরোয়শিংদা পীবা ইন্সেন্টিভশিং অদু য়েংলুরগদি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিনা শান্নরোয়শিংদা অচৌবা থৌনা পীরি। কুমজা ২০০২দা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ৫ পীরম্বা অদু হৌজিক্তি লুপা ক্রোর য়ৌবা য়াওরবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসি হৌজিক-হৌজিক ট্রেনিং চথুরিবা বোক্সরশিংগী ওইনা য়াম্না খূদোংচাবা লৈরবনি। বোক্সরশিং অসিগীদমক্তা সপ্লিমেন্টশিং, স্পোন্সরশিং অমদি মখোয়বু শৌগৎপা কয়া অমা চোংথোরক্লি। তোঙান-তোঙানবা বোক্সরশিংনা মায় পাকপা কম্পিটিসন কয়া য়াওখ্রবসু ওলিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল ফংবা অসিনা ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। মসিগীদমক কন্না হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

জপানগী টেনিস শান্নরোয় নাওমি ওসাকা য়ু এস ওপনদা শরুক য়ারগনি

টোকিও, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

ওগষ্ট ৩১দগী হৌগদৌরিবা য়ু এস ওপন টেনিস গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্টতা কুমজা ২০১৮দা চেম্পিয়ন ওইখিবী জপানগী শান্নরোয় নাওমি ওসাকা শরুক য়ারগনি হায়না মহাক্কী এজেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মমাংদা মীদিয়া রিপোর্টশিংদা নাওমি ওসাকা য়ু এস ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবগী রেজিষ্টর তৌদে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু চহী ২২শুরবী শান্নরোয় অসিগী মেনেজমেন্ট টিমনা ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারগনি হায়খি।

শগোলশেন নুমীৎতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নুপীগী শান্নরোয় ওষ্ট্রেলিয়া মচা এস্লি বার্টিনা ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা য়াওরোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। জপানগী নাওমি ওসাকা হৌজিক-হৌজিক য়ু এস এদা বেজ তৌদুনা লৈরিবনি। মহাক্না ইকোন কোন্না শান্নগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদু ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ফেদরেসন কপনি।

HL-C/170/1-31/7

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

- লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।
- লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি জুলাই ৩১ ফাওবা চৎনগনি।

ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

❖ 22 to 30 yrs তা লৈবা মীওইশিংগী ওইনা Sales Executive (Unmarried+ Graduate+ Computer Knowledge) ওইনিংবা মীওইশিংগী ওইনা Kakching, Thoubal, Moirang, Nambol, Sekmai অমসুং Samurouগী ওইনা মীওই 2/2 পামজৈ।

❖ 20 to 28 yrs তা লৈবা unmarried ওইবা মীওইশিংগী ওইনা Car Driver অমসুং Tyre Workshop কী Helper 2/2 পামজৈ।

❖ 10 yrs কী মথক্তা experience লৈরবা চেক Mistry অমসুং Jugali 2/2 অথুবা মতমদা পামজৈ।

Please Contact, **M.M. Singh**
Mobile No. 8413973840

HL/B/6202/ 10june to 7 aug.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com